# ইন্দিয়াগী সরথ কমাল জপানগী চহী ১৩ দা ঙাইরিবা টোমোকাজুগী মখুত্তা ইন্দিয়া ওপনগী সেমি ফাইনেলদা লৈহৌরে


মেঞ্চেস্টর য়ুনাইটেদকী স্ট্রাইকর জ্লাটান ইব্রাহিমোবিসনা মায়োক্নবা টিম সেন্ট ইটেনিগী শান্নরোই লাম্থোক্তুনা বোল কাওবা

*ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারি ১৯ ঃ*
ন্যু দিল্লিগী থিয়াগরাজ ষ্টেদিয়মদা চথরিবা ইন্টরনেসনেল টেবল টেন্নিস ৱার্ল্ড টুরগী মনুং চনবা ইন্দিয়া ওপন টেবল টেন্নিস টুর্নামেন্টকী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা য়াম্না নুংঙাইরবা সেমি ফাইনেল মেটচ অমদা ইন্দিয়াগী মকোক থোংবা শান্নরোই অমা ওইরিবা সরথ কমালবু মশাগী চহী ১৩ দা ঙাইরিবা জপানগী টোমো কাজু হোরিমোটোনা গেম ৪–২ দা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল য়ৌখ্রে।

সরথ কমালনা আইটিটিএফ ৱার্ল্ড টুর ইন্দিয়া টুর্নামেন্ট অসিদা য়াম্না ফজবা পার্ফোমেন্স পীদুনা লাকখিবনি। মহাক্না ক্বার্টর ফাইনেলদা ইংলেন্দগী পোল দ্রিঙ্কহোল্টবু য়াম্না নক্ননা লম্বা তৌনখিবা মেটচ অমদা গেম ৪–৩ দা থোইরম্বনি।

ঙরাং শান্নখিবা সেমি ফাইনেল মেটচ অদুদা নহা ওইরিবা জপানগী টোমো কাজু হোরিমোটোনা কমালবু পোইন্ট ৩ শোত্থনা লৈরম্বদগী হেনগৎলক্তুনা ১১–৭ দা মায়থিবা পীখি।

অনীশুবা গেমদা ইন্দিয়াগী এক্সপরিয়েন্স লৈরবা সরথ কমালনা মশান্না অদু শেমদোক্তুনা পোইন্ট ৮–২ দা মাঙজিল থারবা মতুং ১১–৫ দা থোইদুনা গেম অমমম মান্নরকখি।

অহুমশুবা গেম অদুদা জপানগী নহা অদুনা এটেক চথবা হেল্লকপদগী ১১–৭ দা কমালবু থোইখি। গেম ২–১ দা মাঙজিল থারবা টোমো কাজুনা ৪ শুবা গেম অদুদা ইন্দিয়াগী সরথ কমালদগী অকনবা লম্বা মায়োক্নখি। পোইন্ট ১১–১১ ফাওবা লৈনরকপদগী মখা তানা সরথ কমালনা পোইন্ট ২ লৌদুনা ১৩–১১ দা থোইদুনা সেমি ফাইনেল মেটচ অদু গেম ২–২ দা লৈনখি।

৫ শুবা গেম অদুসু লম্বা মান্নখি। পোইন্ট ৯–৯ ফাওবা লৈনরম্বদগী জপানগী নহা অদুনা পোইন্ট ২ লৌদুনা ১১–৯ দা থোইরগা ৩–২ দা সেমি ফাইনেল মেটচ অদু মাঙজিল থাখি।

তরুকশুবা গেমদা ইন্দিয়াগী সরথ কমালনা ফনা কন্না হোৎনরবসু জপানগী নহা অদুবু লাম্থোকপা ঙমখিদবদগী ১১–৯ দা মায়থিদুনা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিদবনি।

ফাইনেলদা টুর্নামেন্ট অসিগী মকোক থোংবা শান্নরোই ওইরিবা জর্মনিগী দিমিত্রি ওভচারোভকা জপানগী টোমো কাজুগা লম্বা তৌনরগনি।

দিমিত্রিনা মহাক্কী সেমি ফাইনেলদা জপানগী শান্নরোই কোকিনিৱাবু মায়থিবা পীরম্বনি।

নুপীগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা স্বিদেনগী মাটিলদা ইকোম অমসুং জপানগী সকুরা মোরিগা লম্বা তৌনগদৌরি। মাটিলদানা সেমি ফাইনেলদা টুর্নামেন্ট অসিগী মকোক থোংবা শান্নরোই হোং কোংগী হোই কেম দুবু গেম ৪–৩ দা মায়থিবা পীরমখি। অমরোমদা মোরিনা ৱিং নামবু ৪–৩ দা থোইরমখি।

# জেক রিপব্লিক্কী কেরোলিনা প্লিজকোভানা দেনমার্ককী কেরোলিন ৱোজনিয়াকি মায়থিবা পীদুনা টাইটল লৌখ্রে

*দোহা, ফেব্রুৱারি ১৯ ঃ*
কটারগী সহর দোহাদা চথরিবা কটার ওপন ৱুমেন্স টেন্নিস টুর্নামেন্টতা জেক রিপব্লিক্কী কেরোলিনা দেনমার্ককী কেরোলিন ৱোজনিয়াকিবু মায়থিবা পীদুনা টাইটল লৌবা ঙমখ্রে।

নীংশিংবা য়াবদি জেক রিপব্লিক্কী কেরোলিনা প্লিজকোভানা মহাক্কী সেমি ফাইনেলদা টুর্নামেন্ট অসিগী ৩ শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবী স্লোভাকিয়াগী দোমিনিকা চিবুলকোভাবু সেট অহুম চঙনা শান্নখিবা মেটচ অমদা ৬–৪, ৪–৬, ৬–৩ দা মায়থিবা পীরম্বনি।

অমরোমদা জেক্কী কেরোলিননা প্লিজকোভাগা ফাইনেলদা লম্বা ওইখিবা দেনমার্ককী কেরোলিন ৱোজনিয়াকিনা মহাক্কী সেমি ফাইনেল মেটচতা প্যুটো রিকোগী মোনিকা পল্লপু য়াম্না কোম্না ৬–১, ৬–২ দা মায়থিবা পীরম্লগা ফাইনেল য়ৌরকখিবনি।

ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচ অদুগী অহানবা সেট অদু জেক্কী কেরোলিনা প্লিজকোভানা মহাক্কী লম্বা ওইখিবী দেনমার্ককী কেরোলিন ৱোজনিয়াকিগী সার্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌদুনা ৬–৩ দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

সেট অমা মাঙজিল থারবা মতুং প্লিজকোভানা অনীশুবা সেট অদুদসু মহাক্কী লম্বা ওইখিবী জেক্কী ৱোজনিয়াকিগী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬–৪ দা মায় পাকখিদুনা টাইটল অদু লৌবা ঙমখি।

পনবা য়াবদি কটার ওপন টাইটল অসি লৌখিবগা লোয়ননা প্লিজকোভানা চহী অসিদা মহাক্কী অনীরক শুবা টাইটল ওইরি। লোয়ননা মহাক্কী কেরিয়রগী ওইনা দব্লিয়ুটিএ টাইটল ৮ লক শুবসু ওইরি।


কটার ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপীগী সিঙ্গলসকী টাইটল লৌখ্রবী জেক রিপব্লিক্কী কেরোলিনা প্লিজকোভা

অমরোমদা নেদরলেন্দসকী সহর রোটরদামদা চথরিবা রোটরদাম ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী ফাইনেলদা ফ্রান্সকী জো ৱিলফ্রেদ সোঙ্গা অমসুং বেলজিয়মগী দেবিদ গোফিন টাইটলগীদমক লম্বা তৌনরগনি।

ঙসি শান্নখিবা অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচ অমদা ফ্রান্সকী জো ৱিলফ্রেদ সোঙ্গানা টুর্নামেন্ট অসিদা ৪ শুবা সিদেদ ওইনা শরুক য়ারিবা জেক রিপব্লিক্কী টোমাস বর্দিসপু ষ্ট্রেট সেট অনীদা ৬–৩, ৬–৪ দা মায়থিবা পীরমখি।

অমরোমদা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেটচতা টুর্নামেন্ট অসিদা ৩ শুবা সিদেদ ওইনা শরুক য়ারিবা বেলজিয়মগী দেবিদ গোফিননা ফ্রান্সকী পিয়েরি হুগস হর্বার্টপু য়াম্না কোম্না ৬–১, ৬–৩ দা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল য়ৌরকখিবনি।

অমরোমদা আর্জেন্টিনাগী সহর বিনোস আইরেজদা চথরিবা আর্জেন্টিনা ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী ফাইনেলদা জপানগী কৈ নিসিকোরি অমসুং য়ুক্রেনগী আলেকজেন্দর দোলগোপোলোভকা থেংনরগনি।

জপানগী কৈ নিসিকোরিনা মহাক্কী সেমি ফাইনেল মেটচতা টুর্নামেন্ট অসিগী য়ুম্ভু লৈবাক আর্জেন্টিনাগী শান্নরোই কার্লোস বরলোকপু সেট অহুমশুবা চঙনা শান্নখিবা মেটচ অমদা ৪–৬, ৬–৪, ৬–৩ দা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল য়ৌরকখিবনি।

অমরোমদা নিসিকোরিগী ফাইনেলদা লম্বা ওইগদৌরিবা য়ুক্রেনগী আলেকজেন্দর দোলগোপোলোভনা মহাক্কী সেমি ফাইনেল মেটচতা টুর্নামেন্ট অসিগী ৪ শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইনা শরুক য়ারকখিবা স্পেনগী করেনো বুস্তাবু ষ্ট্রেট সেট অনীদা ৭–৫, ৬–২ দা মায়থিবা পীরমখি।

# শিল্লোং লাজোংনা চেন্নাই সিটি এফ সি বু পাঞ্জল ৪–১ দা থোইখ্রে, চর্চিল ব্রদর্স মিনরভা পাঞ্জবকী মখুৎতা ৪–৫ তা মায়থিহৌরে


চেন্নাই সিটি এফ সি বু পাঞ্জল ৪–১ দা মায়থিবা পীবা ঙমখ্রবা শিল্লোং লাজোংগী শান্নরোইশিং হরাওবা ফোংদোকপা

*চেন্নাই। ভাস্কো, ফেব্রুৱারি ১৭ঃ*
হিরো আই লিগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি চেন্নাইদা শান্নখিবা মেটচ অমদা অৱাং নোংপোক্কী মেঘালায়াগী ক্লব অমা ওইরিবা শিল্লোং লাজোংনা চেন্নাই সিটি এফ সি বু পাঞ্জল ৪–১ দা থোইখ্রে।

অমরোমদা গৌৱাগী ভাস্কো সহরদা মফম অদুগী ক্লব চর্চিল ব্রদর্সপু মিনরভা পাঞ্জবনা পাঞ্জল ৫–৪ দা মায়থিবা পীখি।

ঙসি চেন্নাইগী জৱাহরলাল নেহরু ফুটবোল ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা শিল্লোং লাজোং অমসুং মফম অদুগী ক্লব চেন্নাই সিটি এফ সি গা শান্নখিবা মেটচ অদুগী অহানবা পুংখায় অদু পাঞ্জল চন্নদা লৈখি। অদুবু ৩৮ শুবা মিনটতা শিল্লোং লাজোংগী মাইকৈদগী অহানবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা চেন্নাইনা মখোয়না মাংজিল থাখি।

অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি। মখা তারকপা মিনট ২০ চঙশিল্লকপদা শিল্লোংগী মাইকৈদগী আইজাক ভানমলসোমানা টিম অদুগী অনীশুবা পাঞ্জল অদু চল্লগা লৈরিঙৈ টিমমেট বিপিন সিংহ না মিনট ১২ লৈরগা শান্নবগী ৭৭ শুবা মিনটতা শিল্লোং লাজোংগী অহুমশুবা পাঞ্জল অদু চনখি।

চেন্নাই সিটি এফ সি গী মাইকৈদগী পাঞ্জল অমমফাও হনে দাকপা ঙমদ্রিঙৈ শিল্লোং লাজোংগী এজিয়র দিপান্দানা মিনট ২ লৈরগা টিম অদুগী মরিশুবা পাঞ্জল অদু চনবদগী চেন্নাই সিটি এফ সি বু শিল্লোং লাজোংনা পাঞ্জল ৪–০ দা মাংজিল থারগা চৎখি।

শান্নবা লোইগদবা মিনট ১ খক ঙাইরবা মতমদা মেটচ অদুগী য়ুম্ভু ওইরিবা চেন্নাই সিটি এফ সি গী হারুন ফাক্রুউদিন্না পাঞ্জল অমখক হন্দোক্লগা মেটচ অদু শিল্লোং লাজোংনা ৪–১ দা থোইরগা টিম অসিনা চথরিবা লিগ অসিদা মেটচ ১০ শান্নবা পুন্না পোইন্ট ১৬ ফঙলগা পোইন্ট টেবল মরিশুবা পোজিসনদা লৈরি। চেন্নাই মেটচ ১০ দা পোইন্ট ৮ ফঙলগা নিপালশুবা পোজিসনদা লৈরি।

ঙসি গৌৱাগী ভাস্কো সহরদা লৈবা টিলক মৈদান ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা লিগ অসিগী অতোপ্পা মেটচ অমদা মফম অদুগী ক্লব চর্চিল ব্রদর্সপু পাঞ্জবকী মিনরভা ফুটবোল ক্লবনা পাঞ্জল ৫–৪ দা মায়থিবা পীখি।

মেটচ অদুগী অহানবা হাল্ফতা টিম অনীমক্কী মাইকৈদগী পাঞ্জল ৩–৩ চন্নবা ঙমখি।

শান্নবগী অহুমশুবা মিনটতা মিনরভা পাঞ্জবকী মাইকৈদগী দিবিদ ঙাইতেনো ঙান্না পাঞ্জল অমা চনখি। মিনট ৪ লৈরগা চর্চিল ব্রদর্সকী মাইকৈদগী চেষ্টরপোল লিন্দোনা ইক্যুলাইজর অদু ৭ শুবা মিনটতা চনখি।

মখা তানা চর্চিল ব্রদর্সকী মাইকৈদগী অদিল খান্না শান্নবগী ১৮ শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমা চন্দুনা মিনরভা পাঞ্জবপু ২–১ দা মাংজিল থাখি। ইকান কান্নদনা মিনরভা পঞ্জাবকী মাইকৈদগী সিমরঞ্জিৎ সিংহ না ইক্যুলাইজর অদু অমুক চন্দুনা পাঞ্জল ২–২ দা লৈনখি।

শান্নবগী ৩১ শুবা মিনটতা মিনরভা পাঞ্জবকী সোভিক দাসনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা ৩–২ দা মাংজিল থাবা ঙমখি। অদুবু ৪১ শুবা মিনটতা চর্চিল ব্রদর্সকী অন্সুমানা ক্রোমানা ইক্যুলাইজর অদু চল্লগা মেটচ অদুগী অহানবা হাল্ফ লোইশিল্লকপদা পাঞ্জল ৩–৩ দা লৈনখি।

৬৯ শুবা মিনটতা মিনরভা পঞ্জাবক্কী লবদে ওক্কিচুকউনা পাঞ্জল অমা চল্লগা ৪–৩ দা অমুক টিম অদুনা মাংজিল থাখি।

অদুবু ৭৬ শুবা মিনটতা চর্চিল ব্রদর্সকী অন্সুমানা ক্রোমানা পেনালটি অমা পাঞ্জল ওন্থোকপা ঙমদুনা পাঞ্জল ৪–৪ দা লৈনখি। অদুবু শান্নবগী ৮৭ শুবা মিনটতা মিনরভা পঞ্জাবকী করিম নুরেন্না পেনালটি অমা পাঞ্জল চনবা ঙম্বদগী মেটচ অদু ৫–৪ দা মিনরভা থোইখি।

# উট্টর প্রদেশ ৱিজার্দস অমসুং দিল্লি ৱেবরাইদরস পাঞ্জল ১–১ দা দ্রো চৎখ্রে, কালিঙ্গা লেন্সর্স সেমি ফাইনেল চঙখ্রে

*ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারি ১৯ঃ*
ঙসি ন্যু দিল্লিদা শান্নখিবা হোক্কি ইন্দিয়ান লীগ সিজন ৫ কী শান্নখিবা মেটচ অমদা দিল্লি ৱেবরাইদরসু উট্টর প্রদেশ ৱিজার্দস পাঞ্জল ১–১ চন্নরগা দ্রো চৎখ্রে। ঙরাং চন্দিগরদা শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদা জি পি পাঞ্জব ৱরিয়র্সপু পাঞ্জল ৭–০ দা মায়থিবা পীদুনা কলিঙ্গা লেন্সর্স সেমি ফাইনেল চঙখ্রে।

ঙসি ন্যু দিল্লিদা শান্নবা উট্টর প্রদেশ ৱিজার্দস অমসুং দিল্লি ৱেবরাইদরসকী মেটচ অদু টিম অনীমক মায় পাক্তবা য়াদবা মেটচ অমা ওইখিবনি। ৱেবরাইদরসনা মেটচ ৮ শান্নবা পোইন্ট ২১ ফঙদুনা লৈখিবনি। অদুগা উট্টর প্রদেশ ৱিজার্দসনা মেটচ ৭ তা পোইন্ট ২০ দা লৈরি। অথোইবা টিম অদু সেমি ফাইনেল য়ৌবগী অচৌবা আশা অমা লৈরম্বনি।

লিগ অসিদা মায় পাকপা মেটচ অমদা টিম অমনা পোইন্ট ৫ ফংই। অদুগা দ্রো চৎপদনা পোইন্ট ৩ ফঙলিবনি। ঙসি মেটচ অদুদা অহানবা পাঞ্জল অদু শান্নবগী অনীশুবা ক্বার্টরদা দিল্লি ৱেবরাইদরসকী মায়কৈদগী আর পি সিংহ না পেনালটি কোন্নর অমগী মতেংনা চনখি। অদুবু মখোয়না মাংজিল থাখিবা অদু ইকুই কুইনা লৈবা ঙমখিদে।

ক্বার্টর অদুমত্তগা উট্টর প্রদেশ ৱিজার্দসকী পেলিয়েটনা ইক্যুলাইজর অদু পেনালটি কোন্নর অমা চন্দুনা মেটচকী অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি। মেটচ অদু মখা চত্থরকপদা টিম অনীমক্কী মাইকৈদগী মায় পাকপগী পাঞ্জল অদু য়াম্না কান্না থিবা লাক্লখি।


মায়পাক্লবা কালিঙ্গা লেন্সর্স (অঙৌবা মচু) কী শান্নরোইশিংনা জে পি পাঞ্জব কী শান্নরোইশিংগা খুৎ শোক্নবা

কান্না হোৎনরবসু পাঞ্জল ১–১ দগী হেন্না চনবা ঙম্মখিদবদগী মেটচ অদু দ্রো চৎখি। লিগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা দিল্লি মেটচ ৯ দা পোইন্ট ২৪ ফঙলগা অহুমশুবদা লৈরি। অদুগা য়ু পি মেটচ ৮ দা পোইন্ট ২৩ ফঙদুনা মরিশুবদা লৈরি।

ঙরাং শান্নখিবা মেটচ অমদা কালিঙ্গা লেন্সর্সনা জে পি পাঞ্জব ৱারিয়র্সপু পাঞ্জল ৭–০ দা থোইদুনা লিগ অসিদা মেটচ ১০ দা পোইন্ট ২৮ ফঙলগা দবঙ মুম্বাইগী পোইন্ট ৩৩ গী মতুংদা অনীশুবা লৈদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি।







Printed and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt.Ltd from Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: **H. Achouba Sharma**, Jt. Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*